GAS NEWS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto : 18/04/2020
Valid From : 16/03/2020
HOME DELIVERY ONLY
Contact Nos. : 8730954041, 8259969582
Call Timing : 7.30 am-11.00am

M/S MISAO GAS SERVICE
Booking Upto : 02/05/2020
Valid From : 06/04/2020
HOME DELIVERY ONLY
For delivery service please contact : 7085738631 or 8119967523
Call Timing : 8.00am to 2:00pm

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto : 18/03/2020
Sl.No. : 180
Valid From : 15/03/2020
Home delivery No. : 8414043907
Timing : 7.30am to 10.00am

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking Upto Sl.No. :150
A&B dt 08/05/2020
Valid From : 03/05/2020
Time : 7.30am to 11.00am
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
Time : 8.00am to 12.00noon

M/s BASHIKHONG INDANE
Booking Upto: 04/04/2020
Valid From : 18/03/2020
HOME DELIVERY ONLY
Contact Nos : 9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00 am to 11.00am
Will be delivered for 3 days.

HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking Upto: 02/04/2020
Valid From: 19/03/2020
Please contact Mobile No.: 7085412118
Time: 7.30am to 10.30am

CANCHI INDANE
Booking Upto : 08/04/2020
Valid From : 21/03/2020
5kg UJJWALA STOCK
AVAILABLE HOME DELIVERY ONLY
Contact Nos. KWAKEITHEL # 6909634960 & 8794191632
Naorem Leikai # 7085732827
FOR BOOKING
KWAKEITHEL # 9774615530
NAOREM LEIKAI # 7085732827
BOOKING TIMING :
08.00am to 12.00pm

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Booking Upto : 03/03/2020
Valid From : 18/02/2020
STOCK : 850
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT CALL TIME :
7.00am to 10.00am
9862836403/ 8415050488/ 9366075820

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto : 14/03/2020
Valid From : 05/03/2020
STK : 306
TIME : 7:00am to 10:00am
HOME DELIVERY DATE : 05/06/2020
CONTACT NOS.
7005695308, 6009772483

RBD INDANE SERVICE
Booking Upto : 26/03/2020
Valid From : 07/03/2020
Stk : 370
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30am -12.00Noon
(Every Day Except Holiday)
Contact No.# 7629947172 for Refill Order and Enquiry Only
Contact No.# 7629947182 for Booking only

MAHALAKSMI INDANE
Booking Upto : 10/04/2020
Booking Sl. Upto : 294803
Valid From : 20/03/2020
HOME DELIVERY ONLY
Contact Timing : 10.00am to 12.00noon
9862312969 # 8414929709

LAMSANG GAS AGENCY
HOME DELIVERY ONLY
Booking Upto : 10/04/2020
Valid From : 15/03/2020
Timing : 8.00am to12noon
Home Delivery Contact No. # 8730087936
Please submit Consumer latest mobile number

KHUMBONG INDANE
Booking Upto : 22/04/2020
Valid From : 21/03/2020
Home delivery contact Nos. # 7005771527, 9774679422
Time : 7.30am to 10.00am

M/S KHURKHUL HEIKHAM INDANE
Notice : Respected customers if you have booking between 6/02/2020 to 20/4/2020 then please contact to this number : 8974961402 during office hours 9.00am to 2.00pm

HEIROK INDANE SERVICE
Booking Upto : 02/04/2020
Valid From : 11/03/.2020
Stock: 306
HOME DELIVERY ONLY
Booking contact No. 7627935705
Delivery contact No. 9436274203
Contact time : 9.00 am to 1.00 pm

GBD INDANE SERVICE
Booking Upto : 21/02//2020
Valid From : 15/02/2020
Stock : 388
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30am-12 noon
Contact No. 7629947179 *for Refill Order and Enquiry Only*
Contact No. 7629947187 *for Booking only.*

ৱর্ল্ড ইনভাইরন্টমেন্ট দেগা মরী লৈননা উ চারা কয়া থাখ্রে

ককচিং, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

হিয়াংলম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তেজপুর মমাঙ চীংদুমদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা মনিদকোগী চ্যেরমেন ডা. ৱাই রাধেশ্যাম য়াওনা উ চারা কয়া থাখ্রে।

উ চারা থাবগী থৌরম অদুদা হিয়াংলম জিলা পরিষদকী মেম্বর ৱাই রঞ্জনা, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার এন মুনাল, ৱাইখোম জি পিগী প্রধান দল্লীয়ু ব্রোজেন অমদি জি পিগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা উ চারা ২৮০ থাখি। এম এল এনা ফিট ৮ ৱাংবা বোট্টল ব্রস পাম্বি থাদুনা হৌদোকখি। ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি থারিবা উ চারাশিং অসি হিংহন্নবা হোৎনসি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মী য়াম্না তিনদবা মওংদা ৱর্ল্ড ইনভাইরমেন্ট দে অসি শীনগনি। লৈকায় লৈকায়গী ক্লবশিংগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কনি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুংদা ব্লেক টোকিং তৌদ্রিবা লম্বীশিং অসিসু অথুবা মতমদা তৌগনি। মীয়ামগীদমক য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার মুনালনা ফোঙদোকখিবদা চহী অসিগী ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে অসি এখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা থৱাই পানবশিং, বাইও দাইভর্সিটিদা বেজ তৌদুনা সেলেব্রেট বাইও দাইভর্সিটি হায়বা থিমদা পাঙথোক্লি। মালেমগী লৈরিবা মীওইবা কাংলুপ্পা হিংনবগীদমক হোৎনবদা থৱায় পানবা মিল্লিয়ন অমা রোম মুৎখিবা য়ানা লৈরে। ঐখোয় মীওইবনা হিংবদা হায়রিবা থৱাই পানবশিং অসিগী মতেং চংই। মুৎখিগদৌরবা থৱাই পানবশিংবু কনবা হায়বসি ঐখোয়না উ-ৱা কল্লবা মতমদা ওইগনি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মায় পাকপদু মখোয়না থারিবা উশিং অসি হিংহন্নবনা ওইগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৌমী ক্রোর ৮.৭০ হেনবদা পি এম কিসান য়োজনাগী শেন্থং ফংহনখ্রে : বি জে পি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯ থেংননবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থৌরাং কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা স্কিম কয়া অমসু হৌদোকখ্রে। পি এম কিসান য়োজনাগী মখাদা লৌমী ক্রোর ৮.৭২ হেনবদা শেল ফংহনখ্রে হায়না এক্স এম এল এ ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা হায়খি, মালেম পুম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ অসিদগী ঙাকথোক্লুবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খোঙথাং কয়া লৌখৎখ্রে। চহীসিগী মার্চতা জনতা কার্ফিয়ু তৌখ্রবা মতুং লোকদাউনগী থবক হৌরকখিবনি। লায়না অসি শন্দোরকপদগী ঙাকথোক্লুবা খোঙথাং লৌখৎলকপনি। লোকদাউন মনুংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা মীওই অমমমদা থা খুদিংগী চেঙ কে জি ৫ ফংহনবগী থবক লৌখৎখ্রে। জন ধন য়োজনাগী একাউন্ট হোল্ডরশিংদা মশা মশাগী একাউন্টতা থাগী লুপা ৫০০/৫০০ হাপ্লক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর কিসান য়োজনাগী মখাদা লৌমী ক্রোর ৮.৭০ রোমদা লুপা ২০০০/২০০০ দি বি টিগী খুথাংদা ফংহনখ্রে। তোঙান-তোঙানবা খোঙথাং কয়া অমসু লৌখৎলক্লি।

কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লুবা হোৎনরক্লিবা কয়া অসিদা সপোর্ট তৌসি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অনীশুবা টার্মগী অহানবা চহী মপুং ফাখ্রে। মসিগা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুরগী মন্দলশিংদা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্করি। মপান ষ্টেট কয়াদা লৈরুবা মণিপুরিশিং হল্লকপা অসিদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস মশিং হেনগৎলক্লি। ষ্টেট অসিগী মপানদা লৈরুবা মীওই ৪০,০০০ হল্লক্কনি হায়না পারি। ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলক্লি। রিকোভরি তৌবগী চাংসু য়াম্নুনা ৱাংনা চৎলি। মী শিবগী চাংদদি নেন্লি।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লান্থেনবগী থবক চথরি। কোভিদ-১৯গী হিদাক পুথোক্লুবগী থবক মালেমগী লৈবাক কয়াদা কন্না হোৎনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ভেক্সিন পুথোকপা ঙমদ্রি। ভেক্সিন পুথোক্লুবা হোৎনবদা মতম খরদি চংগনি। কোভিদ-১৯ অসি নন ইপিদেমিকগী চাংদা পুথরকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবা চংই। মত খরা চংলবসু পুন্না লান্থেংনবা তাই। রেপিদ টেষ্টিগী খুদোংচাবা লাক্লগনি। মসি লাক্লগবদি খরমখৈদি ফরগনি। জেনিমস অমদি রিমস খক্তনা লায়েংবগী মফম ওইবদা খরা ৱাগনি। লায়েংফম হেনগৎহনবা চংই হায়নসু ফোঙনোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা বি জে চিপ মণিপুর প্রদোকী ভাইস প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোম অমদি এক্স এম এল এ কে ঐচ লোকেনশিংসু শরুক য়াখি।

সঙাইগুম্না শগোলগীসু লৈফম পিবিয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট এনিমেল ওইরিবা সঙাইগুম্না শগোলগীসু লৈফম পীবিয়ু হায়না মণিপুরী পোনি এন্দ পোলো প্লেয়র্স ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি গিতচন্দ্র মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমদা শক তাক্লিবা শগোল কংজৈগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরদা ঙসিদি শগোল কাংজৈ শান্নবদা শীজিন্নবা পোনিগী মরাইবক নোংম-নোংমগী অকিবা ফিভম অমদা লাক্লি। মহৌশাদগী হৌনা শগোলশিং অসিনা চাকতারম্বা অমদি চেন চোংদুনা শান্নরম্বা পাৎ কয়া ঙসিদি মীওইবগী সিভিলাইজেসননা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী ওফিস, হোস্পিটাল অমদি স্কুলনচিংবা কয়া শজিল্লকই। ঙসিদি শগোলশিং অসিগী চাফম লৈত্রে। চাফম লৈতবনা মরম ওইরগা শগোলশিং অসি লম্বীদা থোরক্লে। অমোৎ অকায় হুন্দোকফমদা মচিঞ্জাক চারক্লে।

ফুদ পোইজনিং ওইবনচিংবা য়াওরকপদগী নোং-নোংমগী শিরক্লি। তমথিরবা মীওই খরানা ঙরাং ইম্ফাল ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্ট রোদতা শগোল অমা গাড়িনা থোল্লম্লগা য়েৎ থংবা মখোঙ তেক্লম্বগী থৌদোক অসি এসোসিএসননা কন্দেম তৌই। শগোল অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসন, ভেটিরিনরি ষ্টাফ অমদি ভোলুন্টিয়রশিংনা লৌখৎতুনা ষ্টেট ভেটিরিনরি হোস্পিটালদা লায়েংনবগী পুখৎখি।

শগোল অসি য়াম্না ফিভম শোকপনা কনবা য়াবগী মওং লৈতে হায়না ডাক্তরশিংনা হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা থিগৎনবা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে। মণিপুরী শগোলশিং অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা ময়াম অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

দিসএবল ওইরবশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

২২শুবা সেক্টর অমদি আই জি এ আর (ইষ্ট)কী মীৎয়েং মখাদা জিরিবামগী কদমতালাদা লৈবা ৩৭শুবা অসাম রাইফলসনা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী পায়লাপুলদা লৈবা দিফরেন্টলি এবল ওইরবা মীওইশিং য়েংশিল্লিবা এন জি ও ইরা অমাদরদা চানবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

মতেং পাংখিবা পোৎলমশিং অদুদি চেঙ, হৱাই, চিনি, অতা, চা মনা অমদি য়েরুমনচিংবনি। পোৎলমশিং অসি এন জি ও অসিনা চল্লাইরিবা দিসএবল হোমদা লৈবা অঙাং ১২ অমদি ষ্টাফ ৩ অমসুং এন জি ও অসিগী মখাদা লৈবা দিসএবল স্কুল অসিদা ময়ুমদগী লাইরিক তম্বা লাকপা অঙাং ১৫দসু পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখ্রে।

মতেং পাংখিবা অসিগীদমক এন জি ও অসিগী মীওইশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না এন জি ও অসিগী মীওইশিংদা থাজবা পীখি।

২২শুবা সেক্টর অমদি আই জি এ আর (ইষ্ট)কী মীৎয়েং মখাদা জিরিবামদা লৈবা ৩৭শুবা এ আরনা কছার দিষ্ট্রিক্টকী পাইলাপুলদা লৈরিবা দিফরেন্টলি এবল ওইরবা মীওই কয়াদা চানা থক্লুবা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

রিজল্ট হায়দোক্লে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

বি এ, বি এস সী, বি কোম অহুমশুবা সেমিষ্টর ইগজামিনেসন ২০১৯গী রিজল্ড ঙসি লাউথোক্লে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিরিগী কন্ট্রোল্লর ওফ ইগজমিনেসন অঙোম নরায়ননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রিজল্ট অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইট www.manipuruniv.ac.in দা নত্রগা ইগজামিনেসন সেক্সনদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

জেনিমসকী কোভিদ ক্যের...

লামায় ১গী মখা... কম্মিটিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। হোস্পিটাল অসিদা নুমীৎ খুদিংগী সেম্পল ২০০ রোম টেষ্ট তৌরম্বা অদুসু হৌজিক্তি টেষ্টিং ফেসিলিটিগী ফীভম ফগৎহন্দুনা নোংমদা সেম্পল ৭০০ লোম টেষ্ট তৌবা ঙম্লে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থেংননবা মথৌ তৌরিবা দোক্টর, নর্স অমদি হেল্থ ৱর্করশিংনা শীজিন্নগদবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি হেল্থ দিপার্টমেন্টনা পীরকপনা অৱাৎপা লৈত্রি। করিগুম্বা জেনিমসতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই ১০০ হেন্না লাক্লগদি অৱাৎ-অপা খরা লৈরকপসু য়াই। হোস্পিটাল অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মপান্দগী হল্লকপা মীওই ৮৭২৩ রোমগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌখ্রে। পোজিটিভ ওইবা থেংনরবা মীওই কয়া লায়েংলক্লি। ফগৎলক্লুবা কয়ানা দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক-হৌজিক হোস্পিটাল অসিদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৬৯ রোম লায়েংদুনা লৈরি। মসিগী মনুংদা অঙাং অহুমসু য়াওরি। কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবা হোৎনবদা হোস্পিটাল অসিনা অঙম্বা থৌদাং লৌখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা নর্স ১...

লামায় ১গী মখা... হল্লকখিবনি। অতোপ্পা নুপী অসিনা নর্স ওইনা থবক তৌরিবীনি। মহাক্কী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতে হায়রি।

জেনিমসকী ভি আর দি এলদা ঙসি ষ্টেট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা কেস অহুম অদুনা মুম্বাইদগী হল্লকখিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তগী মশাগী চহী ৩০ শুরবা নুপা অমা, দিল্লিদগী হল্লকখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তগী মশাগী চহী ২২ শুরবা নুপা অমা অমসুং পুনেদগী হল্লকখিবা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তগী মশাগী চহী ২৮ শুরবা নুপী অমনি। মখোয়শিং অসি ট্রেনদা হল্লকখিবা ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি জেনিমসকী কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা লায়েংবা হৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100

FIRE SERVICE

Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	84.932946
US Dollar	75.519265
British Pound	94.730106
Australian Dollar	52.200642
Chinese Yuan Renminbi	10.609872
Japanese Yen	0.693742
Malaysian Ringgit	17.650417
Singapore Dollar	53.919935
South Korean Won	0.062062
Saudi Arabian Riyal	20.138471
Thai Baht	2.390379
Myanmar Kyat	0.05383
Bangladesh Taka	0.88993

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	Rs	46097.00
Mumbai	Rs	46424.00
Delhi	Rs	46350.00
Kolkata	Rs	46160.00

দিফেন্স সেক্রেটরি...

লামায় ১গী মখা... লৈরকখি।

চৈরকসিদা ইন্দিয়াগী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ২,১৮,৭৩৭ শুরে। শিখিবা মীশিং ৬,১৩৪ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপনা ১,০৪,৬৩৮ নি।

মালেমগী ওইবা অপুনবা কেস মশিং ৬৬,০৮,৭৮৯ শুরে। শিখিবা মীশিং ৩,৮৮,৮৮৭ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপনা ৩১,৯৩,৯৬৫ নি।

এম এল এ ৭ এসেমব্লিদা চঙহনবীগনু হায়জরকখিবা...

লামায় ১গী মখা... সেক্রেটরিগী মায়কৈদা কাউন্সেল এস চিত্তরঞ্জননা লেপ্পগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩ ওইরিবা এম এল এ ৭কী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপখিবনি।

অদুগা সিনিয়র কাউন্সেল কপিল সিবলনা লেপখিবা পিটিস্নর কোংগ্রেস এম এল এশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনা রেস্পোন্দেন্ট এম এল এ ৭ অসিগী মথক্তা হৌজিক স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা দিসক্বালিফিকেসন পিটিসনশিং পেন্দিংদা লৈরিবগী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা লৈরিবা মসিগা মরী লৈনবা সিভিল রিট পিটিসনশিং অসি দিস্পোজ তৌদ্রিঙৈগী চৈরক্তদি রেস্পোন্দেন্ট এম এল এশিং অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা চঙবদা অথিংবা পীবীয়ু হায়জরকখিবনি।

মিসেলিনস কেসশিং অসি ঙরাং কোর্ট অসিনা লৌখৎলগা পার্টিশিংগী মায়কৈদা লেপ্পা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেসশিং অসিগী মতাংদা খঙনবা অমসুং মসিগী মায়োক্তা ওবজেক্সনশিং তৌনিংলবদি ঙসি ফাওবগী মনুংদা তৌনরক্লুবা মতম পীরগা কেসশিং অসিগী দিস্পোজলগীদমক হয়েং অমুক হন্না লিষ্ট তৌননবা খঙহনখিবনি। কোর্টকী দিরেক্সন অসিদগী মিসেলিনস কেস নম্বর ৮২ ওফ ২০২০দগী ৮৮ ওফ ২০২০ (পুন্না ৭) হয়েং বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ৩দগী ৯ ফাওবদা লিষ্ট তৌখ্রে।

ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

ৱর্ল্ড সোসল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা হয়েং ইম্ফাল ইষ্টকী ইরাবত পিপলস ম্যুজিয়ম শান্তিপুরদা লৈবা মশাইগোনদা উপাল থাদুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না ফোরম অসিগী সেক্রেটরী কে ঐচ শমুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মালেমগী লৈবাক কয়াদা শাবা হেনগৎলকপা, অকনবা নোংলৈ নুংশিংনা অমাং অতা থোকহনবা, মতম চাদনা নোং কন্না চুবদগী ঈচাও থোক্তুনা লোকপা য়ারবা মহৈ-মরোং মাংহনবা অসিনচিংবা কয়াগী মতাংদা য়াওবা লিফলেট লিশিং কয়া থা অমা চুপ্পা য়েন্থোক্কনি। হয়েংদগী হৌনা লিফলেট য়েন্থোকপা হৌগনি। চহীসিগী জুলাই ৭ ভনমহাসব ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা এৱ্যেরনেস কেম্পেইন অসি চথগদবনি।

ইকো গ্রিন পার্ক, সিকা অমসুং ইরাবত পিপলস ম্যুজিয়ম শান্তিপুর শঞ্জেনবম অমসুং ৱর্ল্ড সোসল ফোরমগী ওফিস পোং লম্বী অমসুং মফম কয়াদসু পাঙথোক্কনি। মীওইবনা মহৌশাগী খলদা শীংনরুবদগী মখল কয়াগী অৱা চৈথেং মথং মথং মায়োক্লুরক্লি। মসিদা মীয়াম্না ৱাখল তামিন্ননবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম অসি পাক শন্না পাঙথোকপা তঙাইফদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

এদভোকেট নাওরেম দিনচন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা ঙসি অয়ুক ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট মাইবম নিলচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অম্বাগী প্রসিদেন্ট এম নিলাচন্দ্রনা মীফম অদু চ্যের লৌখি। মীফম অদুদা তিনখিবশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। এদভোকেট নাওরেম দিনচন্দ্রনা লৈখিদবদা অম্বা অমদি বেঞ্চনা অৱাবা ফোঙদোক্লি। লৈখিদবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু মখা তারি।

টাউনগী উমং শেমগৎপদা মীৎয়েং থমদুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

টাউনগী উমং শেমগৎপদা মীৎয়েং থমদুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না পি আই বি ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী খুদিংগী জুন ৫দা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে থৌরম পাঙথোক্লি। য়ু এন ঈপিনা লাউথোকখিবা থিমদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মিনিষ্ট্রিনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোক্লি। লুপ কয়ানসু থৌরম শীল্লি।

চহী অসিগী থিমদি বাইও দাইভর্সিটি হায়বা অসিনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎকী ফিভম অসিদা চহী অসিগী থিমদি টাউনগী উমং হায়বা অসিনা ওইরি। থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি। জুন ৫গী অয়ুক পুং ৯দগী লাইভ ওইনা য়েংবা য়াগনি। ইন্দিয়াগী লম য়াম্না পীক্লা লৈরি। মীওইবা অমসুং শা-ষণনগী মশিংনা বাইও দাইভর্সিটিগী চাদা ৮ ওইরি।

লৈবাক অসিদা শা-ষণ অমসুং পাম্বি মখল কয়া মরাং কায়না ফংলি। মালেমগী বাইওদাইভর্সিটি হোটস্পোট ৩৫গী মনুংদা মরি লৈবাক অসিদা লৈরি। মুৎখিবা য়াবা স্পেসিস কয়া অমসু লৈরি। মহৌশানা বাইও দাইভর্সিটি কনবা অসি শুক্লবা উমংগী শরুকশিং খক্তা পাঙথোক্কনি হায়না খন্নরম্মী। অদুবু টাউন পাকথোক চাওথোরকপনা বাইও দাইভর্সিটি কনবা মথৌ তারে।

টাউন ২০০ হেনবদা লৈকোল লৈরবসু উমং লৈতবদগী টাউনগী উমং শেমগৎনবা স্কিম অমা ইনভাইরনমেন্ট ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগী মিনিষ্ট্রিনা হৌদোক্লে। টাউনগী উমংশিং অসিনা হায়রিবা টাউন অসিদা অফবা নুংশিৎ ফংহনবদা মতেং পাংগনি। পুনেদা লম একর ৪০গী উমং শেমগৎলে। উ ৬৫০০০, পুখ্রি ৫, টৱার ২ শেমগৎলে। উশিং ফিট ২৫দগী ৩০ ফাওবা ৱাংলে। চহী অসিদা উ চারা য়াম্না থাগনি। হৌজিক উমং অসিদা পাম্বি মখল ২৩, উচেক মখল ২৯, কুরাক মখল ১৫, লিন মখল ১০ লৈরে। টাউনগী উমং শেমগৎপা অসিদা অকোইবগী ফিভম ফগৎহনবতা নত্তনা পুনেগী মীওইশিংনা অয়ুক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা খোঙনা চৎনবগী অফবা মফম অমা ওইহল্লে। অরবান ফোরেষ্ট অসি লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগী তমজনফম ওইরে। ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমদা ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেট মিনিষ্টর বাবুল সুপ্রিয়োসু শরুক য়াগনি হায়রি।

লান্না পাউশন্দোক্লুবা অমা পুলিসনা...

লামায় ১গী মখা... হৌজিক-হৌজিক্লা লাইরিকয়েংবম মখা লৈকাইদা লৈবা অশানবা কা অমদা লৈবা ফৈরোইজম ক্রিপা (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ কৃষ্ণ কৌই হায়রি।

মীওই অসি ফাদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাক্না শন্দোরকখিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর নীতা অরাম্বমনা চেরোল অমা থোক্তুনা ফোঙদোকখ্রবনি।

চেরোল অসিনা হায়, জে এন ভিদা হাংদোক্লিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা শীৎ-শেংবগী থবক তৌবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ইফোং-ফোংনা বিষ্ণুপুরগী মফম খরদা কোইচৎ চৎলম্বা থেংনবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম পূম্নমক কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লে হায়বা য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ অমা সোসল মীদিয়াদা শন্দোরকপা থেংনরে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল পূম্নমক্তা থবক তৌরিবা ষ্টাফশিংনা ক্বারন্টিন সেন্টর শেংদোকপা অমসুং দিসইনফেক্ট তৌবগী থৌরাং লৌখৎপদা প্রোটেক্টিভ গিয়র শীজিন্নৈ। অরানবা মওংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না পাউ শন্দোরক্লিবা মীওই অদুসু মথৌ পাঙথোকপা মতমদা প্রোটেক্টিভ গিয়র শীজিন্নখি। মীওই অদুগী মমীৎ মপান্দা অঙাংবা দাগফম অমা লৈরকপদগী চোরপর্সননা নুমীৎ খরনি ময়ুমদা পোত্থানবা খঙহনখ্রবা মতুংদা অরানবা পাউ শন্দোরকখিবনি। য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ শন্দোরক্তুনা মীয়ামদা চিংনবা ফাওহল্লিবসি কোকহন্নবগী পান্দমদা মীওই অদু ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা টেষ্ট তৌহনখ্রে। মমাংদা টেষ্ট তৌদ্রিবা মীওই অমবু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না সোসল মীদিয়াদা শন্দোক্তুনা মীয়ামদা মিপাইবা পোকহল্লিবসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। মতৌ অসুম্না য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ শন্দোক্লিবা মীওইশিং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী সেক্সন ৫৪গী মখাদা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফ্লাইট অনীদা...

লামায় ১গী মখা... মপানগী পেসেঞ্জর নুপা ৯৪, নুপী ১৫ অমসুং অঙাং ১২ য়াওনা পুন্না মীওই ১২১ পুদুনা অমুক দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.০২ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলখিবা (এয়র ইন্দিয়া নম্বর ১৫-৭৮৩) অসিদা নুপা ১০৬, নুপী ৭২ অমদি অঙাং অমা য়াওনা পুন্না মীওই ১৭৯ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

অয়ুক্কী পুং ১১.৪০ রোম তাবদা ফ্লাইট অসিনা অমুক ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী নুপা ৪৯, নুপী ৫ অমসুং অঙাং অমা পুন্না মীওই ৫৫ তোংলগা ইম্ফাল থাদোকখি হায়রি।

ভি আই পিগী মচা-মশুশিং ক্বারন্টিন সেন্টরদগী লোন্না...

লামায় ১গী মখা... ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈমিন্নরিবা মীওই কয়া অরানবা লম্বী অমদা পুদুনা চৎখিগদরা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না মমা-মপা ওইবা কয়ানা ফোঙদোক্লুরক্লিবা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরগদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়াম্না কুপ্পা শেন্নবিবা মথৌ তাই। ক্বারন্টিন সেন্টর খরদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিল্লকপদা পুলিসনা ফাবগী পাউ কয়াসু লৈরি। পুলিসনা চেকশিন্না শেনবিরিবসি থাগৎনিংঙাইনি।

লমদম অসিদা কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্তনবা মপান্দগী হল্লক্তুনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক কুপ্পা শেন্নবা মথৌ তাই। চান-থরুবা থিল্লকপা মতমদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উনহন্দবা ফৈ। মপান্দগী হল্লক্লবনি হায়দুনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা পুন্না থমজিনবগী মহুৎতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা য়াই হায়বগী লাইওং উবা মীওইশিংনা তোঙানবা মফম অমদা অমদি লাইওং লৈতবা মীওইশিংনা তোঙানবা মফম অমদা থম্নবা শিনবিবা ফৈ। ক্বারন্টিন সেন্টরশিং হাংদোকপা মতমদা য়ারিবমখৈ শীজিন্নদনা লৈবা অহাংবা মফমশিংদা হাংদোকপীনবা হোৎনবা ফৈ। হান্নগী লৈজরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদদি কোভিদ-১৯ নত্তবা অতৈ অরুবা লায়নাশিং অমদি তঙাইফদনা য়েংদবা য়াদ্রবা লায়নাশিং অদুমক লায়েং চৎথবা ঙম্নবা থম্বিবা ফৈ। লোয়ননা করিগুম্বা লায়না অসিনা কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্লুবদি করি-করম্বা চেকশিন থৌরাং পায়খৎকদগে হায়বনচিংবা মিকুপ-নাহুম শিংনা থৌরাং তৌরগা লৈবা মথৌ তারক্লি।

মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকপদগী লৈবাক মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লুরে হায়বসি লৈঙাক্লুসু খঙই। অদুবু লায়না অসি পাকশন্না শন্দোরকপদগী থিংনবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না পায়খৎলকপা থৌরাং অমনি। ষ্টেট অসিগী ইকনোমি অমদি শু-নোমদুনা হিংলিবা মীওইশিংগী খন্দুনা মরক-মরক্তা লোকদাউন কোমথোকপা মথৌ তাই। কোভিদ-১৯ খক নত্তনা অরুবা লায়না কয়ানা নাদুনা লৈরিবা মীওইশিং লায়েংবা ফংনবা হোৎনবিবসু ফৈ হায়না মহাক্না মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

অঙম জাতুং চিরুনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

নহারোল সহিত্যা প্রেমি ইম্ফালনা ঙসি ফমখিবা একজিক্যুটিভ কম্মিতি মীতিংদা মণিপুর চীংমী কাংলুপকী অইবা অঙম জাতুং চিরু লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

সম্মিতি অসিগী প্রসিদেন্ট এল উপেন্দ্রোনা প্রিসাইদ তৌদুনা ফমখিবা মীফমদা অঙম জাতুং চিরুনা মণিপুরী সহিত্য চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বা অমদি মণিপুরী লোলদা লাইরিক কয়া ইরম্বা অদুবু শীংথানখি। অঙম জাতুং চিরু নহারোল সহিত্য প্রেমি সম্মিতি ইম্ফালনা পীবা পদ্মা দেবী এৱার্ড ২০১৫ ফংখ্রবা অইবা অমনি। মহাক্না লৈখিদবদা মণিপুরী চীংমী কাংলুপকী অইবা অমা মাংজবা খক্তা নত্তনা ঐখোয় পুম্নমক্কী মাংজবা ওইহৌরে। মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু সম্মিতি অসিনা শরুক য়ারি।

নহারোল সহিত্য প্রেমি ইম্ফালগী সেক্রেটরী এ সী নেত্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নহারোল সহিত্য প্রেমি সম্মিতি ইম্ফালগী ঙসি ফমখিবা একজিক্যুটিভ কম্মিতি মীতিংনা অইবা অঙম জাতুং চিরু লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখি। চহীসিগী মে ৩০দা খঙহৌদনা অঙম জাতুং চিরু লৈখিদবনি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুর সহিত্য চাওখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্মী হায়নসু মখা তারি।

লৌফমদা থাবা সনারৈ মাংহনবগা মরী লৈননা মীওই তরেৎ ফারে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

কাংমোংদা লৈবা লৌফম অমদা থাবা সনারৈ অমদি খামেন অশিনবা মাংহন তাকহনবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মীওই তরেৎ ফাগৎলে হায়রি।

কাংমোংদা মীওই খরনা লৌফম অমদা সনারৈ অমসুং খামেন অশিনবা মাংহন তাকহনবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইনা থোরকপদগী নম্বোল পি এসকী টিমনা সাইবর ক্রাইম ইম্ফাল ৱেষ্টকী মতেংগা লোয়ননা মীওই তরেৎ ফাগৎখি। মীওইশিং অদুদি লোংজম ওথেলো অপোকপা এল লোকেন, নাওরেম সোমোরজিৎ অপোকপা গুনা, সোরোকখাইবম লৈশেম্বা অপোকপা ঈশৈ, খাইদেম মালেমঙানবা অপোকপা লৈখিদ্রবা মনিহার, নোংমাইথেম রোবার্ত জেন অপোকপা সনাতোম্বা, লাইশ্রম কুমারজিৎ অপোকপা সামো অমদি নাওরেম দিপিনচন্দ্র অপোকপা এন মেঘচন্দ্রনি। মখোয় হৈক্রেজম মনিং লৈকায়দগীনি।

কাংমোং মনিং লৈকায়দা ইরেংবম মনিয়াই অপোকপা লৈখিদ্রবা শাজৌ কৌবা অমগী লৌফমদা থাবা সনারৈশিং মাংহন তাকহনবগা মরী লৈননা মখোয়বু ফাগৎপনি। লৌফম অদুদা মপুং ফানা শাৎলবা সনারৈশিং মাংহন তাকহনবা অমদি খামেন অশিনবা মাংহন তাকহনবগা মরী লৈননা মীওইশিং অসি ফাগৎখিবনি।

নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে। কাংমোংদা লৈবা লৌফম অমদা থাবা মপুং ফানা শাৎলবা সনারৈ পাম্বীশিং মাংহন তাকহনবগী থৌদোক অদু ভিদিওদা ভাইরেল ওইরকপদগী নম্বোল পি এসকী টিমনা মীওইশিং অদু ফাগৎপনি হায়রি।

এম সী পি সী আরগী চ্যেরপার্সনগী এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চ্যেরপার্সন খন্নবগীদমক থৱাই য়াওবা মীওইশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না সেক্রেটরিয়েট সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুতি সেক্রেটরীনা থোকপা নোটিস অমনা হায়রি।

নোটিস অদুনা হায়, চ্যেরপার্সনগী রিমুনরেসন থাদা লুপা ৫০,০০০ ওইগনি। এপ্লিকেসন থাগদবা মীওই অদু হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন অমসুং চাইল্ড রাইট ভাইওলেসনগী রেকোর্দ লৈতবা ওইগদবনি। অঙাংশিংগী য়াইফনবগীদমক মশক থোকপা থবক তৌবা মীওই ওইগদবনি।

জোইন্ট তৌবা মতমদগী পারগা চহী অহুমগী টার্ম ওইগনি। এদ্যুকেসন সার্টিফিকেট, বাইওদেটাগা লোয়ননা এপ্লিকেসন পীশিল্লক্কদবনি। এপ্লিকেসন মণিপুর সেক্রেটরিয়েট নোর্থ ব্লোক্তা লৈবা সোসল ৱেলফ্যেরগী দিপ্যুতি সেক্রেটরীগী ওফিসতা পীশিনগদবনি। অয়ুক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা পীরকপা য়াগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৩০নি হায়রি।